অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এলমনাই অমদি জপানিজ লেংগ্বেজ ষ্টদি সেন্টরগী মহৈরোয় এল মঙ্গিনা থা অসিগী ৫দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি নিহোঙো এলমনাই এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু মখা তারি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.893118
US Dollar	75.558428
British Pound	93.603069
Australian Dollar	49.333579
Chinese Yuan Renminbi	10.678902
Japanese Yen	0.709389
Malaysian Ringgit	17.436553
Singapore Dollar	53.463099
South Korean Won	0.061995
Saudi Arabian Riyal	20.148914
Thai Baht	2.343865
Myanmar Kyat	0.05434
Bangladesh Taka	0.89106

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46065.00
Mumbai	–	Rs	46117.00
Delhi	–	Rs	46075.00
Kolkata	–	Rs	46223.00

GAS NEWS

HRANGCHAL GAS,
OLD LAMBULANE
Booking Upto: 26/02/2020
Valid From: 25/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE> 03852444677 <SPACE> Consumer No.
Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
(Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon
IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No.– 17587
Booking Upto: 16/03/2020
Valid From: 13/02/2020
Timing: 08.00 onward
Home delivery Only
5 Kg Available
Contact: 6009392991, 8131853129
Delievery on payment at godown
JEMON GAS,
CHINGAMATHAK
Booking Upto: 29/01/2020
Valid From: 10/01/2020
Timing: 07.30 am – 11.00 am
Only Home Delivery
SMS & Whatsapp Nos.:
7630076597/9436039984
Timing: 08.00 am-11.00 am
K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 16/03/2020
Valid From: 29/02/2020
Timing: 07.30 am-11.00 am
Gas Booking Counter Open at Tera Bazar
Timing: 08.00 am-12.00 noon
KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 21/01/2020
Valid From: 19/01/2020
Please Contact: 7085412234, 7085412126
Timing: 07.30 am-10.30 am
KHORIPHABA NAMBOL
Sl. No. Upto – 70008
Booking Upto: 01/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos: 9366471778, 8837283972
LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 06/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Home Delivery only
Timing: 08.00 am-12.00 noon
Home Delivery Contact No.
8730087936
MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 25/02/2020
Valid From: 03/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582
Contact Timing: 07.30 am -11.00 am
MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 14/03/2020
Valid From: 25/02/2020
Home Delivery Only
For Delivery Please Contact:
7085738631/8119967523
Call Timing: 8 am – 4 pm
HIYANGTHANG INDANE
Sl. No.: 200
Booking Upto: 13/02/2020
Valid From: 08/02/2020
Home Delivery Nos.
6009260971/6381538861
Timing: 07.30am - 10.00 am
HEINGANG INDANE
GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 04/04/2020
Valid From: 20/03/2020
Home Delivery No. 9089177227
Booking No. 9089161416
Contact Timing:
08.00 am-11.00 am

মহারাষ্ট্রাগী ঔরঙ্গবাদতা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১৬ ট্রেননা তকপদগী শিখ্রে

পুনে, মে ০৮ (এজেন্সী): মহারাষ্ট্রাগী ঔরঙ্গবাদ দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১৬ ট্রেননা তকপদগী শিখ্রে। মীওই ১৪ থৌদোক থোকফমদা শিখি। অতোপ্পা ২না ঙাইহাক লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়, "শ্রমিক স্পেসল" ট্রেন তোংদুনা মধ্য প্রদেশতা হন্নবগীদমক মাইগ্রেন্ট ৱার্কর খরা জলনাদগী ভুসাৱল ফাওবা মখোঙনা লাকখি। লমখাংদা ৱারকপদগী মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অদু রেল লম্বীদা ঙাইহাক পোথাবদা তুমথখিরম্মী। মতাং অদুদা অহাংবা ট্রেন অমা থৌরক্লগা তক্লম্বনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লাইবক থীবা থৌদোক অমা থোকখিবদা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১৬ লৈখিদ্রে তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পোকই। রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লগা পাউ ফাওনদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি কুপ্না য়েংশিল্লি। অৱাবা তারবা মীয়ামদা মথৌ তাবা তেংবাং পুন্নমক পীগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঔরঙ্গবাদ রুরেল পুলিসকী ইন্সপেক্টর সটিশ খেটমালাসনা হায়খি, জলনাদগী ভুসাৱল তম্না শাংলবা কিলোমিটর ১৫০ মখোঙনা লাকখিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ২০ চোকথরকপদগী রেল লম্বীদা ঙাইহাক পোথারিঙৈদা তুমথখিবনি। মীওইশিং অদুনা তুন্লিঙৈদা পোৎচৈ হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবা অহাংবা ট্রেন অমনা তক্লম্বনি।

মহারাষ্ট্রাগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাকরেনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫/৫ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী ওফিস (সী এম ও)দগী থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ১৬কী ইমুং-মনুংদা তেংবাং শেল ওইনা লুপা লাখ ৫/৫ পীরগনি।

অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, কম্মিস্নার ওফ রেলৱেজ সেফ্টি, রাম ক্রিপালনা ইনক্কারি চথরগা থৌদোক অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা হোৎনরগনি।

লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং শিখিবগী মতাংদা বি জে পিগী লুচিংবা রাম কদমনসু অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্না মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী অৱাৎ-অপা নীংথিনা য়েংশিনবীদবা মরম্না মরাইবক থীরবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা শাংলবা কিলোমিটর ১৫০ মখোঙনা লাকপদা ৱাবদগী রেলৱে ট্রেক্তা ঙাইহাক পোত্থাখিবনি। করিগুম্বা মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলম্বা তারবদি মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং মখোঙনা লাক্লম্লোইদবনি। রেল লম্বী য়েংশিনবগী থৌদাং লৌরিবা রেলৱেগী ষ্টাফশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদবগী খুদম ফংলে হায়রি।

শোখরবা খুঞ্জাশিংদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী মখা চথরকপা ওইনা নুংশাই চিরু খুনদা পোৎলম কয়া য়েনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): শোখরবা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থৌওইদ্রবা খুঞ্জাশিংদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি নুংশাই চিরু খুনদা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী পল্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভিনর তোংব্রম ওংবী ইবেমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুংশাই চিরু খুন অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী হান্না দি সী ওইরম্বা মফম অদুগী থংননা লৈবা খুননি। খুন অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লি হায়না ফোঙদোরকখি। এ দি সীগী এদমিনিষ্ট্রেসন তৌবগী ৱাফম থম্লকখি। খুন অসিদা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী মায়কৈদগী অঙম্বা চেঙ বেগ (কেজি ৫০গী) ৬, থুম বেগ ২, আলু বেগ ২, তিলহৌ বেগ ২ খুঞ্জাশিংদা পীরমখি। লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনা অৱাবা তারবা খুন অসিগী খুঞ্জাশিংদা পীরমখিবনি। লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়া খুন্দাদুনা লৈরি। খ্বাইদগী শোখরবশিংগী য়েংলগা খোংবান তাংখুল, তিংতোং ভিলেজ, পুরুম লিক্লি, কোইরেন খুন ৩ (সাদু, অৱাং নোংয়া অমদি উতোংলোক), থাঙ্গাল শুরুং অমসুং ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা ওর্ফানশিংদা পোৎলম য়েন্থোকখি। তেংবাং পোৎলমশিং অসি অৱাবা তারবা খুনশিংদা চৎতুনা তেংবাংবনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংশাই চিরু খুনদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকখি। মসিনা খুঞ্জা ময়ামবু চহী চুপ্পা পুক থলহনগনি হায়বগীদি নত্তে। তঙাইফদবশিংদা য়েন্থোক্লবা ভিলেজ ওথোরিটিদা খুৎশিন্নবনি হায়না পি পি সী এমগী কনভিনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখি।

পি পি সী এমগী কনভিনরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙমজবা খরা তেংবাংবা লাকপা অসিদা নুংশাই চিরু খুনগী মায়কৈদগী খুনদা হৌবা এন্সাং-নাপী কয়া খুদোল তম্লকখি। মসিমক মফম চাবা য়েংলগা য়েন্থোক্তুনা নুংশাই চিরুগী মপাও তমগনি। অসিগুম্লবা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশি মরী অসিনা ময়েক শেংলিবমখৈ লমদম অসিদা কাঙলুপকী ঈৰাং লৈরোই। মান্নবা ৱাখল্লোন্না মণিপুরবু ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা পুরক্কনি হায়না খুন অসিগী মায়কৈদগীসু ফোঙদোরকখি।

অনীশুবা থৌরম অমা ওইনা নুংশাই চিরুগী খুঞ্জাশিংনা পীরকপা মনা-মশিং লফু অমদি চিরু মরোই কোভিদ-১৯গী লায়না ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, কে মেঘচন্দ্রগী মফমদা শীন্নখ্রে। কোভিদ-১৯গী ৱারিয়র ওইরিবশিংদা য়েন্থোক্লবা শীন্নরম্বনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোলনোম ভিলেজদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। ভারত বিকাশ পরিষদ মণিপুরনা সাহিদ মধুমঙ্গোল ফাউন্দেসন ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা রিলিফ মেটেরিএলশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। চিনি, আলু, তিলহৌ, হৱাইনচিংবা পোৎলম কয়া ভিলেজ চীফতা খুৎশিন্নরমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্টর ঐচ বাল কৃষ্ণনা হায়খি, পেন্দেমিক্কী মতম অসিদা অৱাবা কয়াদা শরুক য়ামিন্নবগা লোয়ননা অমগা অমগা মতেং পাংমিন্নবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়াম্না মরুওইবা অমনি। ঐখোয় পুন্নমক্না অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনবগা লোয়ননা পুন্না হিংমিন্নবা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা ন্যুরো মেদিসিনগী স্পেসিএলিষ্ট ডা. এন হেমন্ত অমদি ডা. এস জয়বিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। ভিলেজ চীফ হাওখোলেন ৱাইফৈনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি। দেপ্যুটি দিরেক্টর, দি আই পি আর, এল অশোকুমার, বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস প্রেমানন্দ, রিলিফ কম্মিটি সাহিদ মধুমঙ্গোল ফাউন্দেসনগী কনভিনর এস নবা, ইষ্টর্ন মোটোরসগী প্রোপ্রাইটর এস প্রিতম অমদি সাহিদ মধুমঙ্গোল ফাউন্দেসনগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

অমুকোনা চেঙ ফংহনবগী থবক চথরি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না অশানবা য়ুমদা লৈবা খরা হেন্না খুদোংচাদ্রবা মীওইশিংদা চেঙ ফংহনবগী থবক মখা তানা চথরি হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট পল্লিসিটি সেক্রেটরি মনিকান্তনা ফোঙদোরক্লি।

মনিকান্তনা মখা তানা ফাঙদোকখিবদা, ঙসি শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা অশানবা য়ুমদা লৈবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং ফংদ্রবা মীওই ১৪, চীংঙামখাদা লৈবা মীওই ৬, সগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা লৈবা মীওই ৬ অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাংগী লমজিং মখাদা চেঙ কেজি ২/২ ফংহনখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীরি। অশানবা য়ুমদা লৈবা হেন্না খুদোংচাদ্রবা মীওইশিংদা অমুকোনা চেঙ য়েন্থোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লি। মখা তানসু চেঙ ফংহনখিগনি। কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবা অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদি হৌজিক চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী অৱাবা কয়া থেংনরি। অৱাবা ফীভমশিং অসি য়েংলগা অমুকোগী মায়কৈদগী চেঙ ফংহনবগী থবক অসি লেপ্তুনা চথরকপনি। ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমদা য়েন্থোকখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরদা ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি চার্জ পীবীনবা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী (এম এস কে এ)গী রেগ্যুলর সেক্রেটরি অমা হাপত্রিবা ফাওবগী মরক্তা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরবু সেক্রেটরিগী চার্জ পীবীয়ু হায়না ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না গভর্ণরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি, আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরবু ষ্টেট কলা একাদেমীগী ইন-চার্জ সেক্রেটরি ওইনা পুহনবীয়ু। অমাক্সুগী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী রেগ্যুলর সেক্রেটরি অমা খনবীনবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। ওফিস অসিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবা য়ানবা সেক্রেটরি হাপ্পীয়ু হায়না তকশিনবনি।

জোনেল কলচরেল সেন্টরগী মেম্বর অমসু ওইরিবা ক্ষেত্রি য়ুগিন্দ্রো শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর অসিবু ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি ওইনবা চহী ১গী এনগেজমেন্ট ওর্দর এপ্রিল ২০ দা থোকখি। এপ্রিল ২৭তা মশাদসু ওর্দর খুৎশিন্নখি। অদুবু অতোপ্পা ওর্দর অমা অমুক থোক্তুনা হায়রিবা ওর্দর অদু ককথৎখি। মসি শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অমবু হ্যুমিলিএসন তৌবা থৌওং অমনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী ওইনা আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর এল কিশোরজিৎনা হৌখিবা চহী ২ রোম ইন-চার্জ সেক্রেটরি ওইনা পুদুনা লাকখিবনি। ক্ষেত্রি য়ুগিন্দ্রোদা চার্জ শীন্নরে হায়না ওর্দর থোক্লুরবা মতুংদা অমুক ককথৎখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি খন্দ্রিবা ফাওবগী মরক অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরবু সেক্রেটরি চার্জ ওইনা পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, জিরিবাম ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা কিপ ক্লেপ্পিং ফোর দি ভলন্টিয়র হায়বা থীমদা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দেগী থৌরম ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিরি ন্যুজ নেটৱার্ককী এদিটর ইন চীফ ওইনাম দিলিপকুমার, আই আর সী এস জিরিবাম ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ রাজেন, দি পি ও জিরিবাম ডা. প্রিয়াদর্শিনি, এম ও জিরিবাম হোস্পিটাল ডা. এন সোরোজানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ও দিলিপকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনল রেদ ক্রোস সোসাইটি হৌদোক্লম্বগী মরম করিগীনো হায়বসি মীপুম খূদিংমক্লা খঙফম থোকই। ৱর্ল্ডগী লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা হ্যুমেনিটরিয়নগী লমদা মালেমগী মফম কয়াদা অৱা-অনা তারবা মীয়ামগী থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা হায়খি, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা নৌনা রেদ ক্রোস সোসাইটি হৌদোকপনি। তেল্লবা মতম অসিদা জিরিবামগী মীয়ামদা ভলন্টরি ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা হৌরক্লি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। মালেমগী ওইনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লাম্হৈংদা ফ্রন্ট লাইনদা থবক তৌরিবসিদা ঐখোয়সু শরুক য়াসি।

'উরিপোক এ সীগী ক্বারন্টিন সেন্টরদি লম্বোইখোংনাংখোংগী ট্রেদ সেন্টরনা খুদোংচাগনি'

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস): উরিপোক এ সীগী ক্বারন্টিন সেন্টরদি লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈরিবা ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর অসিনা খ্বাইদগী খুদোংচাবা ওইগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

দেপ্যুটি সী এম, ৱাই জয়কুমার, উরিপোক শেমগৎ-শাগৎপা অপূনবা লূপ, উরিপোক এ সী কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরগী ইন-চার্জ এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার, দি সী ইম্ফাল ৱেষ্ট হৈস্নাম সুকুমারনা ঙসি লম্বোইখোংনাংখোংদা ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরগী অকোয়বা মফম চৎতুনা য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুদা দেপ্যুটি সী এমনা ফোঙদোকখিবদা, উরিপোক এ সীগী ওইনা ক্বারন্টিন সেন্টর অসি লম্বোইখোংনাংখোংগী ট্রেদ সেন্টর অসিনা খ্বাইদগী মফম চাবা ওইরগনি। কুপ্না খন্নরগা মফম অসিদা খনবনি। ফায়র সর্ভিসনচিংবনা ঈশিং কাপথোক্তুনা শেংদোক্লি। মফম অসি আইসোলেটেদ ওইবনা য়াম্না মফম চাই। ফেন্সিংসু লৈ। ক্বারন্টিন মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙাইহাক ৱাকিংনচিংবা চৎপগী খুদোংচাবসু লৈগনি। মপান্দগী হল্লক্লিবশিং অসি অয়াম্বনা নাদনা লাকপা ঙাক্তনি। অদুবু তম্বা ঙমদে, আইসোলেট ওইনা থম্লগা নেগেটিভনি হায়না কনফার্ম তৌরবা মতুংদা ময়ুম-ময়ুমদা সেফ ক্বারন্টিন তৌনবা শীনবনি। অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা হৈস্নাম সুকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট খূদিংগী ক্বারন্টিন সেন্টর হাংনবা পায়খৎলকপা অসিদা উরিপোক এ সীগী ইন-চার্জ ওইনা লৈবনি। মপান লমদগী লাক্কদৌরিবশিং অসি মফম অসিদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগনি। নুপীশিং অমসুং নুপাগী ওইবা মফম অনী খায়দোক্লগা থম্লবা শেংদোকপনি। মফম অসিদা লৈগদৌরিবসি মপান্দগী হল্লক্কদবশিংনি। হোম ক্বারন্টিনগী ফেসিলিটি লৈতবশিংগী ওইনসু মফম অসিদা খুদোংচাবা পীগনি। উরিপোক এ সীগী ওইনা মপান্দগী হল্লক্কদবা মীওই অসি ৪০০ রোমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮: দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, এন ৱাই কে থৌবাল, দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটি থৌবাল, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর এন নন্দ, মৈরা পায়বী অমদি ওক্রম য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল ওক্রম মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হীরমশিংগী মতাংদা খঙমিন্ননবা পাঙথোকখিবা এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদুদা অর্বান পি ঐচ সী থৌবালগী এম ও, ডা. মুতুম রাকেশনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। ৱার্দ মেম্বর নন্দনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী মপান্দা লৈরুবা লমদম অসিগী মীয়াম্না য়ুম-য়ুমদা হল্লক্লুবা মতুং হোম ক্বারন্টিন তৌবদা চেকশিনসি। লৈকায়গী মীয়াম্না তঙাইফদনা খঙদবা য়াদবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু খঙহন্নবা পান্দমদা এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হায়বসি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা য়াম্না মরুওইবা পান্থে অমনি। মালেমগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া লায়না অসিনা চৈথেং পীরি হায়খি।

সী এমনা ৱেটলেন্দ ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা ফিল্ম রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮: ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা পুথোকপা ৱেটলেন্দ ওফ মণিপুর হায়না মিংথোনবা মিনট ২০ শাংবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা রিলিজ তৌখ্রে।

নেচর লর্নিং সেন্টর, নেসনল মিসন ওন হিমালিয়ন ষ্টদিজ, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা ৱেটলেন্দ ওফ মণিপুর হায়রিবা ফিল্ম অসি পুথোকপনি।

রিলিজ তৌবগী থৌরমদুদা এদিসনল চীফ সেক্রেটরি ডা. সুহেল অক্তার, পি সী সী এফ, কে অঙ্গামি, এদিসনল পি সী সী এফ অনুরাগ বায়পাই, দি সী এফ/রিছার্স, সিলভিকলচর এন্দ ট্রেনিং দিভিজন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ৱাইখোম রোমাবাইসু শরুক য়াখি। ফিল্ম অসিনা মরুওইনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মরুওইবা ৱেটলেন্দশিংগী মতাংদা ফোকস পীরি। মসিগী মনুংদা লোক্তাক, জাইলেট, জাইমেং, পুল্লেন, ইকোপ, ৱাইথৌ, লমজাও, করুং, য়ারলনচিংবা য়াওরি হায়নসু মখা তারি।

মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট...

লামায় ১গী মখা... অতৈ ষ্টেট কয়াদগী লমদমসিদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবররশিংসু থিন্নবা থৌরাং পায়খৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, এ আই সী সীগী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না হৌজিক ষ্টেট কয়াদগী মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমদি লেবরশিং ময়ুম লমদমদা থিনবদা মতেং পাংবগী থবক লৌখৎপনি। অহানবগী ওইনা বিহার ষ্টেটতগী মণিপুরদা পন্দুনা লৈরিবশিং থিন্নবা থৌরাং তৌরি। ট্রেন রিজার্ভ তৌবগী চেরোলসু প্রাইম মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে। মসিদা সপোর্ট তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। ষ্টেট অসিদা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অমদি লেবররশিং অসি কোংগ্রেস পার্টিনা শেল পুথোক্লগা ময়ুম লমদমদা হলহনবদা মতেং পাংগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন, এ কে মিরাবাই, সুর্যকুমার ওক্রমসু শরুক য়াখি।

সী বি এস ঈনা লৌবা...

লামায় ১গী মখা... কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা মার্চ ১৬তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মহৈ তম্ফম লোইশঙ পুন্নমক থিংজিনখিবদগী তঙাইফদনা য়ুনিভর্সিটি অমসুং স্কুল পুন্নমক্কী এগজাম য়েথোকপা তাখি। তুংদা অমুক মার্চ ২৪দা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌরে হায়না লাউথোরকখি। তাঙ্কক কয়ারক্তা লোকদাউনগী মতম শাংদোকহন্দুনা মে ১৭ ফাওবা লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা অথিংবা থল্লি।

অমরোমদা, নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি)গী এগজাম জুলাই ২৬তা পাঙথোক্লগনি। জেইন্ট এন্ট্রান্স এগজাম (জে ঈ ঈ)গী ওইনদি জুলাই ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ভারত বাইওটেকনা থা তরুক্কী মনুংদা...

লামায় ১গী মখা... হৌরগনি হায়রি। হৌজিক-হৌজিক সী এস আই আরনা মমিং লৈরবা হীদাক-লাংথক পুথোকপা কম্পেনি কয়াগা খূৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট লায়েংনবগী হীদাক পুথোক্লবা হোৎনরিবনি। অতোপ্পা হীদাক মখল খরসু মাংজৌননা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল চথবা হৌখ্রে।

কুমজা ২০১৬কী মেদা মমিং লৈরবা হীদাক-লাংথক পুথোকপা কম্পেনি অমনা ইন্টরনেসনল সেন্টর ফোর জিনেটিক এঞ্জিনীয়রিং এন্দ বাইওটেক্নোলোজি (আই সী জি ঈ বি), দিল্লিগা য়ান্নচে অমা খূৎয়েক পীনদুনা দেঙ্গি লায়না লায়েংনবা মনা-মশীংদগী শুংবা হীদাক অমা পুথোকখি। হায়রিবা হীদাক মখল অদুম্মক কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট লায়েংবদা কদায় ফাওবা কান্নবা ফংবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা ক্লিনিকেল ট্রাইয়ল চথরগনি হায়না সী এস আই আরগী দিরেক্টর জেনরেলনা ফোঙদোকখি।

ফেবিপিরাভির কৌবা অতোপ্পা হীদাক অমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা এন্টিভাইরেল দ্রগ অসি তোঙান-তোঙানবা ভাইরসনা থোকহনবা লায়না কয়া লায়েংবা ঙম্মী। মীওইবনা শীজিন্নবদসু থোইদোক্না খূদোংথিনিংঙাই ওইদে। হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ট্রাইয়ল অসি থা অমা মখায়গী মতুংদা মায় পাকই নৎত্রগা পাক্তে হায়বা শোয়দনা খঙলগনি। করিগুম্বা চাংয়েংদা মায় পাকপা থোক্লবদি ফেবিপিরাভিরনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট লায়েংবদা মতেং ওইনরগনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস চাদা ৬০ রোম মরুওইবা সিটি ৮দগী রিপোর্ট তৌরকপা থেংনখি। কোভিদ-১৯গী কেস খ্বাইদগী য়াম্বা সিটিশিং অদুদি মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই, পুনে অমসুং থানে; গুজরাটকী অহমেদবাদ; মধ্য প্রদেশকী ইন্দোর; টামিল নাদুগী চেন্নাই অমসুং রাজস্থানগী জয়পুরনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মেন্টেনেবিলিটিগী মতাংদা হিয়রিং...

লামায় ১গী মখা... মতাংদা হিয়রিং পাঙথোকখিবনি। মিসেলিনস কেস অসি থোরকপদগী হান্নগী দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অদুনা মপূং ওইনা ম্যেন কেসশিং ওইনা লৈরিবনি। ঙসিগী হিয়রিংদা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ ৭কী মায়কৈদা এদভোকেট এস গুনবন্ত অমসুং এ অরুনকুমারনা এসিষ্ট তৌরগা সিনিয়র এদভোকেট ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। অপূনবা কেস ১৫ অসিগী পিটিস্নরশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ওপোজিসন কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট রোম্মেল এনা এসিষ্ট তৌরগা সিনিয়র এদভোকেট এন ইবোতোম্বীনা লেপখি। অদুগা পিটিস্নর এম এল এশিং নৎতবা অতোপ্পা পিটিস্নরশিংগী মরক্তগী ৱাঙ্গোই এ সীগী এম এল এ ওইনাম লুখোইগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা কেসকী পিটিস্নর ওইরিবা কে ঐচ বসন্তকুমারগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেট এল অয়াংলৈমা অমসুং এদভোকেট এস য়াইমনচিংবা য়াওনা অতৈ কাউন্সেলশিংসু লাক্লখি।

নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ তারমদাই ফাওবদা পুং ১ ফানিংচিৎ চথখিবা ঙসিগী হিয়রিংদা ট্রাইব্যুনেলনা নাকল অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তাখি। অদুম ওইনমক হিয়রিং অসিগীদমক ট্রাইব্যুনেলনা লাউথোক্কদবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদি অকক্লবা নুমীৎ অমা পীদনা রিজর্ভ তৌদুনা থমখি। মসিনা মরম ওইরদুনা দিসক্বালিফিকেসনগী ম্যেন কেসশিং অদুগী ৱায়েলদি পায়খৎখিদে। হৌজিক ট্রাইব্যুনেল অসিদা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং মায়োক্লরিবা এম এল এশিং অদুনা ওইনাম লুখোই, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন, পাওনম ব্রোজেন, সনসম বির, ঙমথং হাওকিপ, গিনশুৱনহাও অমসুং য়েংখোম সুরচন্দ্রনি। কেসশিং অসি মমাংগী কুমজা ২০১৯দা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস নম্বর ১ দগী ১৫ ফাওবনি।

লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২১৬তা কোভিদ...

লামায় ১গী মখা... ওফ মেদিকেল রিছর্স (আই সী এম আর)না তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটাল ২১দা কনভেলেসেন্ট প্লাজমা থেরাপি চাংয়েং তৌনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং মশা-মশাগী ষ্টেটতা হল্লকপগী মতাংদা অগরৱালনা হায়খি, মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ামরুম মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌগদবা মরম্না মীপূম খূদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নবা তঙাইফদে।

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী মওং-মতৌ য়েংলগা অথুবা মতমদা রেদ, গ্রীন অমসুং ওরেঞ্জ জোনগী লিষ্ট অমা শেম্লগনি। করম-করম্বা দিষ্ট্রিক্টতা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং য়াম্লিবগে অমসুং শন্দোরকপগী চাংনা কয়ানো হায়বদু য়েংলগা নৌনা অমুক দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা রেদ, গ্রীন অমসুং ওরেঞ্জ জোনগী লিষ্ট অমা শেমগদবনি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা...

লামায় ১গী মখা... নুংবা এ সীগী ওইনসু সঙাইপরৌ এফ সী আই গোদাউনদগী চেঙ ক্বিন্টল ১৩০৭.৪০ চিংথোকখ্রে। পি দি এসকী চেঙ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থবক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথনরি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা বিনিফিসরিশিংদা চেঙ য়েন্থোকপগী থবক চঙশিল্লি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংদা ওপন মার্কেট সেলগী চেঙ ফংহনবগী থবকসু চথরি।

কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং ওইনা লোকদাউন লৈখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা ফীভম অসি য়েংলগা পি দি এসকী পোৎলমশিং চিংথোকপা অমদি মীয়ামদা ফংহন্নবগী থৌরাং ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা চথনরি। এফ সী আই গোদাউনশিংদগী চেঙ চিংথোকপগী থবক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংগী ওইনা চথরি। মীয়ামদা তঙাইফদনা চেঙ ফংহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মনুং চন্না পি এম জি কে এ ৱাই অমদি ও এম এস এসকী মখাদসু ফংহনবনি হায়রি।

ট্রেনদা অহানবগী ওইনা ঙসি চেন্নাইদগী মণিপুরী ১,২০০...

লামায় ১গী মখা... অমা মণিপুরীশিং পুদুনা লাকহন্ননবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি জিরিবামদা থুংহন্ননবা টার্গেট তৌরি। জিরিবামদগী ইম্ফালদা লাক্কদবা বসশিংগী মতাংদা করম্না তৌগদগে হায়বগী মতাংদা নুংনাংবা লৈরম্বনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইবদি মণিপুরগী ট্রান্সপোর্টর দ্রাইভর কাউন্সিলগী মীহুৎশিংগা ঙসি উনদুনা ৱারী শানবদা য়াম্না পূক্নিং থৌগৎপীরকখিবা অমদি কোওপরেসন পীবীরকখিবা অসিনি। দ্রাইভর কাউন্সিল অসিগী মীহুৎশিংনা ঐখোয় ষ্টেট অসিগীদমক্তনি, মীয়ামগীদমক্তনি, লৈঙাক্না তৌরিবা অসিদা চপ চানা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা থম্বীরমখি। ট্রিপ অমদা লুপা লিশিং ২৬/২৬ চৎলম্বা অদু লৈঙাক্না হায়জবদগী লুপা লিশিং ২১/২১দা হন্থরগা বস চেনবা য়াওরে।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক মপান্দগী লাক্কদৌরিবা মণিপুরীশিং অসি কোভিদ-১৯না নাবা অমত্তা য়াওদ্রি। মখোয়না পন্দুনা লৈরম্বা মফম অদুদগী থারকপা মতমদসু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী এদভাইজরি মতুংইন্না ট্রেন তোংদ্রিঙৈদা মীপূম খূদিংমক মেদিকেল চেক তৌগনি। মখোয়না ট্রেনদা তোংদুনা লাক্কদৌরিবা অসিসু মফম অমত্তদা পল্লমদনা জিরিবামদা লাক্কদৌরিবনি। জিরিবাম য়ৌরবা মতুংদসু ঐখোয়গী দোক্টরশিং য়াওবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা সেনিটাইজ তৌরবা বসশিংদা ইম্ফাল তম্না পুরক্কদৌরিবনি। মসিদা কনাগুম্বা খরনা মীয়ামবু পাখৎহনবা নৎত্রগা কিহনবা য়াবা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোকপদা মীয়াম্না থাজবীগনু। লুরবা তানফম অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদৌরিবা দ্রাইভরশিংনা এক্সিদেন্ট থোকপা, লম্বী-লমখাংদা ফত্ত-নুংদা থোক্লকপা মতমদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবা দোক্টর, নর্স অমদি পুলিসনচিংবদা পীবা ফেসিলিটি নৎত্রগা কম্পেন্সেসনশিং অদু চপ মান্নবা পীগনি। দ্রাইভর, হেন্দিমেন ওইরিবা ইচিল-ইনাওশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুং পূন্নমক্না লৈবাক্কী ওইবা থবক্লি, লৈবাক্কী থৌদাংনি খন্না পূকচেল চাওনা মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংসি। মখোয়বুসু মখল অমত্তদা শোক্তনবা লৈঙাক্না হোৎনগনি। চেন্নাইদগী লাক্কদৌরিবা ট্রেন অসিগী অৱাইমল লুপা ১২,০০,৬০০ মুক চঙই। জিরিবামদা থুংলগদৌরিবা মীওই ১,২০০ রোম অসি ইম্ফালদা পুরকপদা বস অমদা মীওই ২৫ নৎত্রগা ২৭ তগী হেন্না তোংবা য়ারোই। মরম অসিনা চাওরাক্না বস ৫০ রোম মথৌ তাগনি। বসশিং অসিগী অৱাইমলনা লুপা লাখ ১,৫০,০০০ মুক চঙই।

ষ্টেট-ষ্টেটকী ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা ওফিসরশিং, কন্ট্রোল সেন্টরদা লৈরিবা নোদল ওফিসরশিংদা য়ারিবমখৈ পাউ ফাওবীরকউ। ঙরাং বিশাখাপত্নমদা কেমিকেল প্লান্ট অমদগী গ্যাস লীক ওইবদা খূদোংথিবা থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা ইচানুপী খরা মমীৎতগী মপী তানা ফেসবুকতা থাগৎলকপা থেংনবদগী ফোনগী খূথাংদা মখোয়বু খূদক্তা কন্টেক্ট তৌরগা ওফিসরশিং মথং-মথং কন্টেক্ট তৌনহনখি। মখোয়নসু মফম অদুদা গ্যাস লীক ওইবদু য়ৌদ্রে। অদুবু য়ুমদদি য়াম্না থোক্লিংই হায়রকখি। মপান্দা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংদা আপিল তৌজনিংবদি রেদ জোনদা খঙদে, গ্রীন জোনদা খঙদে, মফম অমদা হেক্তা লৈবা মতমদা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্না চৎপীয়ু। মপান থোকপীগনু, তঙাইফদনা থোকপা মতমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপীয়ু, মাস্ক উপ্পীয়ু। কনা-কনাগুম্বশিংনা রেদ জোনদা লৈবশিংদি লৌথোক্লরোই হায়বনচিংবা ওথোরিটি নৎতনা পংঙাঙদা ঙাঙবা তৌবীগনু। ওফিসল ওইবা পাউ লৌবীয়ু। হয়েংদগী হৌনা মীওই কয়া লাক্কদৌরবনিনা এম এল এশিং, মিনিষ্টরশিং, লোকল ক্লবশিংনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং ফজনা শেম শাদুনা লৈবীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা আপিল তৌরক্লি।